## ‘কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী লাল্লোংনি’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬(ঐচ এন এস): খুরাই নান্দৈবম লৈকায়দা খুরাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী সী পি আইগী মীরেপ ওইরিবা আর কে অমুসনাগী পব্লিক মীটিং অমা মীখলগা মরী লৈননা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা আর কে নরজিৎসনা, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী হান্নগী ওফিসর অমসুং কে ইবোমচানা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি হায়রি।

এম এস সী- সী পি আইগী ওফিস সেক্রেটরি এস গোপেশ্বরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঙরাং পাঙথোকখিবা মীটিং অদুদা আর কে অমুসনানা হায়খি, মীয়াম্না পোৎ চৈ ফংদবগী অমসুং মমল তাংবগী অৱাবা কয়া লৈহল্লিবসি ষ্টেট অসিদা চহী ১৫ লৈঙাক পায়রম্বা কোংগ্রেস অমসুং এন এস সী এন (আই-এম)গা চৎমিন্নরিবা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি অনীগী গেম প্লাননি। মীয়াম্না অসুক ৱানরবা তাঞ্জা অসিদা নুমিৎ ১০০ নি শুজিল্লক্লবা ইকনমিক ব্লোকেদ লোইশিনবা ঙম্নবা থৌদাং কয়া লৌবগী মহৎতা থোক তৌদুনা লৈরে। পার্টি অনী অসিনা ভোট খোম্বা অমদি ওইদবা ৱাফম কয়া মীয়ামদা শন্দোকপগী থবকলোমদা মায় ওনশিন্দনা লৈরে।

মীটিং অদুদা শরুক য়াখিবা এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরগী পোলিটিক্সপু ফগী তাহল্লবা কেন্দিদেটশিং, চোংবদা হাংলেংবা লৈত্রবা পোলিটিক্সপু ফগী তাহল্লবা কাঙবুদা ভোট পীবিদনবা মীয়ামদা আপিল তৌখি। হোম মিনিষ্টর অমদি য়ু এন সীগা লৌতুনরগা ইকনমিক ব্লোকেদ হন্দোকহন্দনবা হোৎনেরি। লোয়ননা টিকেট অসিদা প্রসিদেন্টস রুল থম্লবা হোৎনরি হায়নসু মরাল শীখি। ওইনা-পাদবা কয়া তৌদুনা মীয়ামগী লন মাঙ্ডন-তাকহল্লবা পার্টি অনী অসিগী মীরেপ্তা ভোট পীদনবা ৱাফমসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## পেসেঞ্জর গাড়ীশিংদা খুদোংচাদবা থোক্তনবা থাউ চাং নাইনা ফংহনগদবনি : টি দি সী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচ এন এস): কম্মর্সিয়েল অমদি পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা গাড়ীশিংগীদমক ছুটি ওইবা ওইদবা থীদনা থাউ চাং নাইনা ফংহনগদবনি হায়না ট্রান্সপোর্টর এন্দ দ্রাইভর্স কাউন্সীল (টি দি সী)গী প্রসিদেন্ট ঐচ রঞ্জিৎনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে। এম জি এভেন্যুদা লৈবা টি দি সীগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা হায়খি, ওইল পম্প অহুমদা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা অমদি কম্মর্সিয়েল গাড়ীশিংগীদমক থাউ পীদুনা লাক্লি। ছুটিনি হায়দুনা নোংমাইজিং নুমীৎতা থাউ পীদবদগী সার্ভিস তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া থোকই। ছুটি ওইবা ওইদবা থীদনা থাউ চাং নাইনা ফংহল্লু।

আই ও সীনা থাউ মরাং কায়না লৈ হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অদুবু ছুটিনচিংবদা থাউ পীদবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা থেংনরি। ইকনমিক ব্লোকেদনা মরম ওইদুনা থাউগী অৱাৎপা কয়া থেংনরকপদগী তঙাইফদবা খোঙথাং অমা ওইনা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা অমদি কম্মর্সিয়েল গাড়ীশিংগীদমক অখন্ননা ওইল পম্প অহুমদা থাউ পীদুনা লাকপনি। পেসেঞ্জর গাড়ীশিংগী তোঙান তোঙানবা সোসাইটিশিংদা পার্মিট পীরগা থাউ ফংহন্দুনা গাড়ীশিংদা য়েন্থোকপগী থবকসু চংথরিবনি। সোসাইটিশিংগী মীহুৎশিংনা থাউশিং অদু লৌরগা তোঙান তোঙানবা রুটশিংগী ওইনা পার্কিং নৎত্রগা মফম চাবা জগাদা গাড়ীশিংদা য়েন্থোকপনি।

ইম্ফাল মনুংগী ওইল পম্প অহুমদা থাউ পীরিবা অসিগী মথক্তা বিষ্ণুপুর, ককচীং, থৌবালনচিংবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা অমদি কম্মর্সিয়েল ভেহিকলগীদমক থাউ ফংহল্লু। পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবশিংনা ক্যদা লেপ্পগা থাউ ঙাইবদা মতম য়াম্না মাঙবনা অসিগুম্বা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। আই ও সীনসু থাউ চাং নাইনা ফংহল্লু। থাউ চাং নাইনা পীরক্তবা তারবদি ট্রান্সপোর্টরশিংনা লৌরকপা ফিরেপশিংগী থৌদাং আই ও সীনা পুগদবনি। স্কুল বসশিংগী ওইনসু থাউপীবা অসিদা য়াওরিবনি। পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা অমদি কম্মর্সিয়েল গাড়ীশিংগীদমক তঙাইফদনা থাউ ফংহন্নবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিদা মরী লৈনবশিংনা শৌগৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সীল ফোর ওল মণিপুর অন্দর ফাইব টোন পেসেঞ্জর সার্ভিসকী কনভিনর এল সোমোরেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, ইকনমিক ব্লোকেদনা মরম ওইদুনা থাউ নীংথিনা ফংদবগী খুদোংচাদবা কয়া লাক্লিবা অসিদা তঙাইফদনা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা অমদি কম্মর্সিয়েল গাড়ীশিংগীদমক থাউফংহন্নবা টি দি সীনা হোৎনরক্লিবা অসি শৌগৎলি। টি দি সীনা শিল-লাংদুনা ওইল পম্প অহুমদা থাউ ফংহনবা অসিনা মরম ওইদুনা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবশিংদা খুদোংচাবা ওইহল্লিবনি। অসিগুম্বা খোঙথাং অসিদা কন্নাগুম্বশিংনা অপনবা পীবিগনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা গাড়ীশিংগী তোঙান তোঙানবা রুটশিংগী সোসাইটি কয়াগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

## এক্স-দি জি জয়কুমার, লোকেন, জয়েন্তকুমার এন পি পিদা য়াওখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচ এন এস): বি জে পিগী টিকেট তান্নরম্বা এক্স-দি জি পি, ৱাই জয়কুমার, খুরাইজম লোকেন, কোংগ্রেসকী টিকেট তান্নরম্বা এক্স-মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমার অমদি খাঙবোক এ সীদগী হজি অসরফ আলি নেসনেলিষ্ট পিপলস পার্টি (এন পি পি) দা য়াওরকপদা তরাম্না ওকখ্রে।

ঙসি অয়ুক এন পি পি শগোলবন্দ ব্লোক কম্মিটিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱাঙ্গৈই এ সীদগী বি জে পিগী টিকেট তান্নরম্বা কে ঐচ লোকেন, খাঙবোক এ সীদগী হজি অসরফ আলি অমদি কৈশামথোং এ সীদগী এক্স-মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারবু তরাম্না ওকখি।

থৌরম অদুৱা ঙাঙলদুনা বি জে পিগী টিকেট তান্নরম্বা ৱাঙ্গৈই এ সীদগী কে ঐচ লোকেননা ফোঙদোকখিবদা, মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না মুন্না খল্লবা মতুংদা এন পি পি দা য়াওরকখিবনি। মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা পোলিটিকেলগী ওইবা ফীভমশিং অসি য়েংলুরগা এন পি পিদা য়াওবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়বা ফীরেপকা লোয়ননা পার্টি অসিদা য়াওরকপনি। বি জে পি পার্টিদা য়াওদুনা থবক কয়া তৌরম্বা লৈখি। ওইরক্লিবা পোলিটিকেলগী ফীভম অসিনা অহোংবা অসি লাকখিবনি।

ৱাঙ্গৈই এ সীদা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পি মরু হুনগনি থাজদে। এ সী অসিদা কোংগ্রেস পার্টিসু মায় পাকখিদ্রি। লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা এন পি পিদা য়াওদুনা মীখল থেংননবা থৌরাং তৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এন পি পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট থাংমিলিয়ন কিপজেন, জেনরেল সেক্রেটরি ভিভেক রাস ৱাংখেম, শগোলবন্দ এ সীদা এন পি পিদা মীরেপ ওইগদৌরিবী জি সৈত্যবতিসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক চীংমৈরোংদা লৈবা এন পি পি মণিপুরগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা বি জে পিদগী তেঙ্কায়া এন পি পিদা য়াওরকখিবা এক্স-দি জি পি, ৱাই জয়কুমারসু তরাম্না ওকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এক্স-দি জি পি, ৱাই জয়কুমারনা হায়খি, বি জে পি মণিপুর ষ্টেটকী মনুংদা লৈরিবা মওং কয়া অসিদগী পার্টি অসি থাদোরকখিবনি। এন পি পি য়াম্না ভিজন লৈবা পার্টি অমনি। নোর্থইষ্টকী ওইনা য়েংলগসু পার্টি অসিগী ভিজন অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। অসিগুম্বা কয়া অসি য়েংলগা এন পি পিদা য়াওরকপনি। এন পি পিনা শিনরকপা থবক থৌদাশিং অঙম্বা থাক্তা তৌগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এন পি পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট থাংমিলিয়ন কিপজেননা হায়খি, এন পি পি তুংগী অশানবা মীৎয়েংগা লোয়ননা লিংখৎলকখিবা পার্টি অমনি। পার্টি অসিনা মীয়ামগীদমক অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক থৌরম কয়া চঙশিন্নবা লেপ্লি। ইশানা ইশাগী ৱারেপ লৌজবা ঙম্বগী ৱাখল্লোন অদু পার্টি অসিদা লৈ। পার্টি অসিগী ওইনা থোইদোক্লা হায় কম্মান্দগী চৎনবী লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখি।

## শিংজু ফেষ্টিভেলগী মনা ফংগদবশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৬ : শিংজু ফেষ্টিভেল ২০১৭ পাঙথো-ক্লিঙৈ মনুংদা তোঙান তোঙানবা কম্পিটিসন কয়া চঙখিবা অদুগী মনা ফংগদবশিংগী মমিং ঙরাং লাউথোকপ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং লৈবা এম এস আর সী অমসুং য়ুনিটি পার্ক থাঙজমদা তৌখিবা জানুৱারি ২৮ দগী শিংজু য়োকখৎপা মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা শিংজু ফেষ্টিভেল কম্পিটিসন শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াগা লোয়ননা চৎথরক্লিবা শিংজু ফেষ্টিভেল ২০১৭গী মনুং চল্লা পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা কম্পিটিসনশিংগী মনা ফংগদবশিংগী মীং ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ তাবা মতমদা ফেষ্টিভেল অসিগী চেয়ারমেন সী এঁচ রনবিরনা লাউথোকপ্রে।

সেব আরৱ কলচর এন্দ আইদেন্টিটি হায়বা ৱাহৈল্লোন অসিগী মখাদা পাঙথোকপ্লিবা শিংজু ফেষ্টিভেল অসিগী মনুং চল্লা জানুৱারী ২৫ দা পাঙথোকখিবা মিস এন্দ মরাথোন রেস ২০১৭ দা এম দি অমির খান্না ফর্ষ্ট, সদিপনা সেকেন্দ, এম দি ইরাবাস্তা থর্দ তাপ্রে। লোয়ননা ননাও, এম দি সচিন রহমন, এম দি মৈহজুদ্দিন, পিঐচ প্রেমকুমার, এম দি নজির, এম দি জমীর অমসুং য়াইফবনা কন্সোলেসন প্রাইজগীদমক্তা খনগৎখ্রে।

থা অসিগী ৪ গী নুংথিল পুং ১২:৩০ তাবা মতমদা পাঙথোকখিবা ক্লাস থ্রিদগী সিক্স ফাওবগী থৌদা পাঙথোকখিবা সোলো দান্স কম্পিটিসনদা এলিনা হিন্দমযুমনা ফর্ষ্ট পোজিসন, ছেখোমবা হিজমনা সেকেন্দ পোজিসন অমদি কুনিকা সজেনবম্বা থর্দ পোজিসন তাপ্রে। লোয়ননা তনু থোকচোম, দল্লিটি জেনিফর, বেবী লিংজেল, এন ববিনা অমসুং হীরা লাইশ্রমকুনা কন্সোলেসন প্রাইজগীদমক খনগৎখ্রে হায়রি।

নুমিৎসিগী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা সেব ইনভাইরোনমেন্ত হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল পেন্টিং কম্পিটিসনগী গ্রুপ এ ক্লাস থ্রিদগী সিক্সকী ওইনা ওনিয়া কোন্দমন ফর্ষ্ট, এম বোসোয়া সেকেন্দ অমদি এম থোইথোইবা থর্দ পোজিসন তাখি। লোয়ননা খুসি অহৈবম, রাখেশ্বরী য়ুম্নাম, এ রোহিৎ, আর কে নিসান্তা অমসুং জুলিয়ানাবুনা কন্সোলেসন প্রাইজগীদমক্তা খনগৎখি। গ্রুপ বি ক্লাস সেভেনদগী ক্লাস টুৱেল্ভ ফাওবগী পেন্টিং কম্পিটিসনদা তেলেম খাইদেমনা ফর্ষ্ট, এন নরমদানা সেকেন্দ অমদি ভেনিশ কৈশাম্না থর্দ পোজিসন তাখি। এন নন্দিতা, এল লনচেনবা, এ কেথরিন, এস পিয়া অমদি এল বোসিনিনা কন্সোলেসন প্রাইজগীদমক খনগৎখ্রে।

নুথেলদা পাঙথোকখিবা ক্লাস সেভেনদগী টুৱেল্ভ ফাওবগী মহৈরোয়শিংগী ওইবা সোলো দান্স কম্পিটিসনদা টিএচ খৃষ্টিনানা ফর্ষ্ট, এন জেসিকানা সেকেন্দ অমদি এঞ্জেলিনানা থর্দ পোজিসন তাখি। লোয়ননা এচ সোচারানি, মিস লিন্দা, এন নন্দেশ্বরী অমসুং বিস বিদ্যালক্ষ্মীনা কন্সোলেসন প্রাইজ খৎখি হায়রি।

হায়রিবা মনাশিং অসি থা অসিগী ৮ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা শিংজু ফেষ্টিভেল ২০১৭গী লোয়শিনবগী থৌরাংদা মরী লৈননা লান্থোক্কনি। মনা লান্থোকপগী থৌরমসিদা ফেষ্টিভেলগী কনভিনর রাকেস নাওরেমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকলক্লি।

## ‘মীরেপশিংগী একাউন্ট হাংগদবনি’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচ এন এস): ইলেক্সন এক্সপেন্দিচরগা মরী লৈননা মীরেপ ওইগদবশিংগী তোঙানবা বেঙ্ক একাউন্ট অমা হাংগদবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর (দি ঈ ও), ইম্ফাল ৱেষ্ট সী অর্থনা ঙসি নোটিস অমা থোকপ্রে।

দি ঈ ও, ইম্ফাল ৱেষ্টনা থোকপা নোটিস অদুদা পল্লিবা মপুং ওইবা ৱাফমদি ১১ শুবা ষ্টেট এসেম্লী মীখলদা মীরেপ ওইগদবশিংনা ইলেক্সনগী এক্সপেন্দিচরগীদমক তোঙানবা বেঙ্ক একাউন্ট অমা হাংগদবনি। কেন্দিদেটনা নোমিনেসন ফাইল তৌবা নুমীৎকী নোংমা ৱাংলৈন্দা বেঙ্ক একাউন্ট অদু হাংগদবনি। বেঙ্ক একাউন্ট নম্বর অদু কেন্দিদেটশিংনা মরী লৈনবা রিটর্নিং ওফিসরদা নোমিনেসন ফাইল তৌবা নুমীৎতা পীশিনগদবনি। নোমিনেসন ফাইল তৌবা নুমীৎতা বেঙ্ক একাউন্ট নম্বর পীথৎলবতা কেন্দিদেটশিং অদু মরী লৈনবা আর ওনা কম্নিসননগী ইনষ্ট্রক্সন মতুংইন্না নোটিস ইস্যু তৌগদবনি।

কেন্দিদেট অদু কেন্দিদেটকী মীংদা নত্রগনা কেন্দিদেট অদুগী ইলেক্সন এজেন্টগা লোয়ননা জোইন্ট ওইনা হাংবা য়াই। মীখলগী মরী লৈননা হাংবা একাউন্টদি অসিগী মফমতা হাংবা য়াই। কোওপরেটিভ বেঙ্ক অমদি পোষ্ট ওফিস য়ায়না বেঙ্ক অমদা হেক্তা হাংবা য়াই।

বেঙ্ক একাউন্ট অদু মহাক্কী ফেমিলি মেম্বরশিংগা জোইন্ট ওইনা হাংলোইদবনি। বেঙ্ক একাউন্ট অদু ষ্টেট অসিগী মফম অমদা হেক্তা হাংবা য়াই।

বেঙ্ক একাউন্ট অদু ইলেক্সনগা মরী লৈনবা হীরম খন্তদা শীজিন্নগদবনি। ইলেক্সনগা মরী লৈনবা এক্সপেন্দিচরশিং বেঙ্ক একাউন্ট অদুগী মরক্তগী চৎকদবনি। ইলেক্সনগা মরী লৈনবা এক্সপেন্দিচরগী এমাউন্ট অদু দিপোজিট তৌগদবনি হায়নসু নোটিসদা মখা তানা হায়রি।

## ওপরেসন তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচ এন এস): স্কাই হোস্পিটালদা চহী ১ গা থা মঙাখক্তা ঙাইহরিবী কেজি ৯ লুম্বা অঙাং অমা মায় পাক্লা হার্ট ওপরেসন তৌখ্রে।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী গেলজাংদগী সাইখোলেন কিপজেনগী মচানুপী চহী ১ গা থা মঙাখক্তা ঙাইহরিবী নেমহোইলিং কিপজেন কঞ্জিনিটেল হার্ট দিফেক্টনা নারকপদগী মহাক্কী ওই অমসুং য়েৎথংবা শরুক্কী হার্ট শম্নহনবদা অপনবা থোক্লকপদু মায় পাক্লা রিমস রোদতা লৈবা স্কাই হোস্পিটালদা ওপরেসন তৌখ্রে। য়াম্না পীক্লিঙৈ মতমদা খঙলকপদগী তঙাইফদনা অঙাং অদু ওপরেসন তৌখিবনি। মহাক ফীভম ফগৎলকপগা লোয়ননা ঙসি হোস্পিটাল অসি থাদোকখ্রে অমসুং চয়োল খরগী মতুংদা চেপ-অপ তৌবগী থবক চংথখিগনি হায়রি।

## টেঙ্করদা গঞ্জা...

*লামায় ১গী মখা...*অদুমক লেংবা পুলিসনা উখি। চিংনবদগী পুলিসনা টেঙ্কর অদুগী মনাক্তা চঙশিল্লুবদা দ্রাইভর লৈরমদবদগী টেঙ্কি হায়গৎলগা চেক তৌরুবদা গঞ্জাশিং অদু তোঙান তোঙানবা প্লাষ্টিক ময়োম ১৬তা য়োল্লগা অচৌবা বোড়াখাউ নিপান্দা য়াওরম্বা থেংনখি। দ্রাইভর অদু মোটবুংদগী কৃষ্ণপান্দে (৩২) অপোকপা ধর্ম্মবহাদুরনি হায়রি।

## নৌনা পোষ্টিং...

*লামায় ১গী মখা...*টি মণিহার (এম সী এস)না দেপ্যুটি সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট), শ্রীমতি ও লৈমতোন (এম সী এস)না দেপ্যুটি সেক্রেটরি (আর দি এন্দ পি আর), সমিম অহমদ শাহ (এম সী এস)না এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসার (এদ্যুকেসন-য়ু), ফিরোজ খান (এম সী এস)না অন্দর সেক্রেটরি (আই টি), এল সুকুমার (এম সী এস)না অন্দর সেক্রেটরি (মহুদ), এল ব্রজমোহন (এম সী এস)না এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসার (ভেটেরিনরি), সৈখ অব্দুল হকিম (এম সী এস)না এ আর সী এন্দ অন্দর সেক্রেটরি (পাৱর) অমসুং কে দাইগোং (এম সী এস)না এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসার (এস এ টি) ওইরগনি।

## এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী ৩৮ মীখলগী...

*লামায় ১গী মখা...*১১-সগোলবন্দ, ১২-কৈশামথোং, ১৩-শিংজমৈ, ১৪-য়াইস্কুল, ১৫-ৱাঙ্খৈ, ১৬-সেকমাই (এস সী), ১৭-লমশাং, ১৮-কোন্থৌজম, ১৯-পাৎশোই, ২০-লংথবাল, ২১-নাওরিয়াপাখঙলাকপা, ২২-ৱাঙ্গৈই, ২৩-ময়াং ইম্ফাল, ২৪-নম্বোল, ২৫-ওইনাম, ২৬-বিষ্ণুপুর, ২৭-মোইরাং, ২৮-থাঙ্গ, ২৯-কুম্বী, ৪৬-সাইকুল (এস টি), ৫০-কাংপোকপী, ৫১-সাইতু (এস টি), ৫৫-টিপাইমুখ (এস টি), ৫৬-থানলোন (এস টি), ৫৭-হেংলেপ (এস টি), ৫৮-চুড়াচান্দপুর (এস টি), ৫৯-সাইকোট (এস টি) অমসুং ৬০-সিংহাট (এস টি)।

## এক্স-সী এম রাধাবিনোদ কোইজম বি জে পিদা য়াওখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী তুংলমচৎকীদমক অওনবা লৈঙাক পুরকপা তঙাইফদ্রে হায়না বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) রাম মাধপনা ঙসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা এক্স-সী এম রাধাবিনোদ কোইজমনা বি জে পিদা য়াওরকপগী তরাম্না ওকপা থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

এক্টিব পোলিটিক্সতগী মতম খরা পোৎথারুরবা মণিপুরগী এক্স-সী এম রাধাবিনোদ কোইজমনা বি জে পিদা য়াওরকপগী তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) রাম মাধপনা হায়খি, বি জে পি মণিপুরগী মপাঙ্গল কনখৎলক্লি। পার্টি অসিদা শক্লাইরবা পোলিটিসিয়ন কয়া য়াওরক্লি। সিনিয়র লিদর ময়াম অমা বি জে পিদা চঙলকপা অসিনা পার্টি অসিগী থবক থৌরমদা হেন্না খুম্মাং চাউশিল্লগনি।

মণিপুরদা হৌখিবা চহী কয়া অসিদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক লৈরল্লি। মণিপুরদগী শেঙ্গা-থুমজা লৌথোক্তুনা য়াইফবা লমদম শেম্নবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। মণিপুরগী তুংলমচৎকীদমক অওনবা লৈঙাক তঙাইফদ্রে। বি জে পিনা মণিপুরগীদমক তুংলমচৎকীদমক অফবা পুরকপা ঙমগনি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বদসু কোংগ্রেসকী ফীভমদি শোকচিল্লক্লবনি।

লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিনা মায় পাক্লবগীদমক হোৎনগনি। চিংগী লমদসু এন পি এফ অমদি কোংগ্রেস পার্টিবু বি জে পিনা মায়থীবা পীনবা হোৎনগনি। লমদম অসিদা চাউখৎ থৌরাংদা খুম্মাং চাউশিন্নবগীদমক অফবা লৈঙাক মথৌ তই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এক্স-সী এম রাধাবিনোদ কোইজমনা হায়খি, মণিপুরদা অওনবা পুরক্কবগীদমক অফবা লৈঙাক শেম্না তাই। মীয়ামগী অৱাবা মশক খঙবা লৈঙাক লৈরবা মতমদা নুংঙাইবা লমদম শেম্না ঙমগনি। মীয়ামগী লৈঙাক হায়বগী ৱাহন্থোক অদু লৈহন্নবগীদমক ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। লমদম অসিদা লৈরিবা ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা মণিপুরগী তুংলমচৎকীদমক চপ চানা থেংনমিন্নসি। অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎমিন্নদুনা লমদম অসিবু মায়োন চুম্না চৎনবা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দ, এক্স-মিনিষ্টর ৱাইহ্রাবত, এন বিরেন, ও জয়, এম এল এ, টি ঐচ বিশ্বাজিৎ অমদি হন্দক্তা কোংগ্রেসতগী বি জে পিদা য়াওখ্রবা জোতিন ৱাইখোমসু শরুক য়াখি।

## ৱার্কর মশেল খৎনবদা নুপী য়াওনা মীওই ১৭ শোক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৬ : লাক্কদৌরিবা ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লী মীখলদা কৈরাও এ সীগী বি জে পিগী মীরেপ লৌরেম্বম রামেশকী ঙসি হাউস কেম্পেইন লাকপদা কিয়ামগৈ মনিং লৈকায়দা কোংগ্রেস ৱার্করশিংগা খুৎ থোক্লবদা নুপী য়াওনা মীওই ১৭ রোম অশোক অপন নংখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবা মতমদা কৈরাও এ সীগী বি জে পিগী মীরেপ ক্যামগৈ মনিং লৈকায় লাইরেম ৱাংমদা লৈবা লৌরেম্বম রামেশকী মী ১৩০০ রোমনা হাউস কেম্পেইন লাকখি। মখোয়না ক্যামগৈ মনিং লৈকায় লাইরম ৱাংমা এরিয়া য়ৌরকপদা, কোংগ্রেসকী মীরেপ কারাম থমরজিৎকী ৱার্কর কৈশাম হেরোজিৎ (৩৭) না নাওরিদা য়োৎ মকক হাপ্লগা কাপশিল্লকপদা গাড়ী অহুমলোম অকায় অতোয় থোকহনখি হায়রি। মদুতা নত্তনা লৈকায় অদুদা লৈবা নেপ্রম সোভা (৪০) কৌবা মীওই অমনসু য়োৎখোক পায়রগা চেন্থোরক্লগা বি জে পিগী ফিৱাল অনী মুল্লগা মৈ থাখি হায়রি।

কেম্পেইন অদুদা শরুক য়ারিবা ৱার্কর খরনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা, মফম অদুদা নুপা নুপী য়াওনা পুন্না মীওই ৩০/৪০ রোম লৈরমখি। মখোয়না ক্যামগৈ মনিং লৈকায় লাইরম ৱাংমদা বি জে পিগী কেম্পেইন লাকপা য়ারোই হায়না থিংখি। মদুদা মফম অদুদা লৈরল্লিবা নুপীশিংগা কেম্পেইন লাক্লিবা নুপীশিংগা শম ফোয়নদুনা খৎনরকখি হায়রি। মদুদা নুপী ১৫ রোম অশোক অপন নংখি হায়রি।

মফম অদুদা লৈরম্বা মীওইশিংনা ৱাকোক্লা কল্লকপদগী নামৈরাকপম সৈত্যজিৎ (২৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা কোমোল কৌবা ক্যামগৈ খোইরোম লৈকায়দা লৈবা মীওই অমা শোকখি। মহাক খরা থিনা শোকপদগী রিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। মহাক্ত নত্তনা লংদুমদগী নুপামচা অমসু শোকখি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা বি জে পিগী ৱার্করশিংনা ইলেক্সনগা মরী লৈননা কেম্পেইন লাকপদা অথিংবা পীবতা নত্তনা ফুরকপদগী অশোক অপন নংখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন অমা তৌখ্রে হায়রি। লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফারগা লোগী মতুং ইন্না ফারগা চৈরাক পীবীনবা হায়রক্লি।

অমরোমদা, ক্যামগৈ মায়কৈদা ঙসি মীখলগা মরী লৈননা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোক্তুনা অশোক-অপন নংবা য়াওনরে। খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোকপা পামদে হায়না ক্যামগৈ অপূনবা নুপী চাউখৎ থৌরাং লূপকী সেক্রেটরি এ ইবেয়াইমনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ক্যামগৈ লাইরম ৱাংমদা ঙসি লমদম অদোমগী নুপী কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা এ ইবেয়াইমনা হায়খি, ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপদা ক্যামগৈ মায়কৈদা মীখলগা মরী লৈননা রেল্লি লাকপদা খৎন-চৈনবগী থৌদোক অমা থোকপদগী মীওই কয়া অশোক অপন নংখি। মীওই অনী অমসু রিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। মকোক কায়বদগী ফোৎপনচিংবসু য়াওরি। মীখলগা মরী লৈনবা অসিগুম্বা অশোক অপন নংবা থৌদোক থোকপসি য়ানিংদে। রেল্লি লাক্লিবা অদুদা চৈনচিংবা পায়রকপসু য়াওই হায়না তাই। অসিগুম্বা থৌওং অসিসু য়ানিংদে। ঈং-তপ্না লৈবা মওং অমদা চত্থবনা অফবা ওইগনি। তুংদসু অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোকহন্নিংদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

## মরী লৈনহনগদবনি

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৬ : মোবাইল নম্বর খুদিংমক অধারগা মরী লৈনহনবগা লোয়ননা মোবাইল ফোন শীজিন্নরিবা মীওইশিংগী মমিং মথানচিংবা অকুপ্পা ৱারোল পুম্নমক চহী ১ গী মনুংদা খঙহল্লক্কদবনি হায়না সুপ্রীম কোর্টনা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা য়াথং পীখ্রে।

## বি জে পিনা ও ইবোবী গভর্ণমেন্টকী...

*লামায় ১গী মখা...*লৌথোকখ্রে হায়না মরাল শিরি। কোংগ্রেস লৈঙাক্লা থৌবাল মল্টিপর্পজ দামগীদমক কন্ট্রেক্ট পীখি। চহী ৩৬ লোম দাম অসি শাবা লোইদ্রি। এম জি এন আর ঈ জি এদা শেঙ্গা-থুমজাগী থবক কয়া লৈরি। পি দি এসকী পোৎলম কয়া ব্লেক মার্কেটতা চৎলি। সেৱেরেজ মোদর্নাইজেসন প্রোজেক্টকী থবক্তা শেঙ্গা-থুমজা চংখে হায়না চার্জ তৌরি। এস এস এগী মখাদা সেপ্টেম্বর ২০১৫ দা ক্লষ্টর রিছোর্স পার্সন অমদি ওজা কয়াগী রিক্রুটমেন্ট চংথখিবা অদু হৌজিক ফাওবা রিজল্ট লাউথোকপা ঙমদ্রি। কোংগ্রেস লৈঙাক্লা কুমজা ২০১৬ দা মীখলগী মাঙওইননা পোষ্ট ১০,০০০ লোম রিক্রুটমেন্টকী থবক পায়খৎপা হৌখি। জেনিমসকী এমপ্লোয়ীগী রিগুলরাইজেসন্দা করপসন চংখে হায়বগী রিপোর্ট লৈ। এলেজ ফেক এনকাউন্টরগী অন-ইনভেষ্টিগেসন্স কেস ১৫২৮ লোম লৈরি।

মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুল ৩২৩ লৈবগী মনুংদা স্কুল ৭৩ রোমদি চহীসিগী ক্লাস টেন ইগজামদা মহৈরোয় অমফাওবা পাস তৌবা ঙমখিদে। মণিপুরগী দ্রোপ আউট ওইবা মহৈরোয়গী চাং নেসনল এভরেজদগী য়াম্না হেন্না চৎলি। নন-এমপ্লোয়মেন্ট রেটসু য়াম্না ৱাংনা চৎলি। মণিপুরদা মীওই লাখ ১০ রোমদি বিলো পোবর্টি লাইনদা লৈবা ওইরি।

ৱাংজিং তুরেল মথক্তা শাবা আর সী সী লিতান ব্রিজ কুমজা ২০১৫ দা কায়খি। থোং অসি কুমজা ২০০৯ দা শাখিবনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মফম অমদা শাবা ভেলি ব্রিজ অমসু শঙ্গাদ্রিঙৈগী মমাঙদা অতেক অকায় থোকখি। মোটবুং-পুখাও রোদতা শাবা য়োৎকী থোং অমা কুমজা ২০১৫ দা অকায় অতোয় থোকখি। ৱাইশেল তুরেল মথক্তা শাবা থোং অমা লানবা হৌদ্রিঙৈদা নীংখায়খি। ইরিল তুরেল মথক্তা কৈরাও লিতান মখোঙদা শাবা হৌগৎলকপা আর সী সী বিজ্র অমা কুমজা ২০১৪ দা তেকখি। অশোক অপন কয়াসু য়াওখি। থোং অসিগী রিটের্নিং ৱালসু কুমজা ২০১৩ দা নীংখায়খি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়াসু পল্লি।

## রূপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিএল দ্রামা...

*লামায় ১গী মখা...* প্লেদা শিঙ্গারৈগী শক্তম লাংখিবা এল সুচিত্রনা ফংখ্রে।

বেষ্ট ষ্টেজ অমসুং লাইটনা পিপলস আর্টস এন্দ দ্রামাটিক এসোসিএসনগী *লোক-থেল*গী ঈ মঙলেম, এস বিশ্বাজিৎ, এল রতন অমসুং মদননা ফংখ্রে। সেকেন্দ বেষ্ট ষ্টেজ এন্দ লাইটনা লিবর্টি ঠিএটরগী *হ্বের দিয়র ইজ এ ৱিল* গী মহেশ, প্রেম, মালেমঙানবী, লোকেন্দ্রো অমসুং ইমোতোম্বদা পীখ্রে।

বেষ্ট ম্যুজিককী মনানা পিপলস আর্টস এন্দ দ্রামাটিক এসোসিএসনগী *লোক-থেল*গী এল সিতেশ, আর কে সুর্জিৎ অমসুং টি ঐচ ইমোদা পীখ্রে। বেষ্ট দিসিপ্লিনগী মনানা ইন্দিজিনস আর্টস এন্দ কলচরেল ফাউন্দেসনগী প্লে *ঐখোয়বু হিংহল্লু* দা পীখিবগা লোয়ননা সেকেন্দ বেষ্ট দিসিপ্লিনগী মনানা পাখঙবা ঠিএটরগী প্লে *কৈবু কৈওইবা* দা পীখ্রে। বেষ্ট চাইল্ড আর্টিষ্টকী মনানা ইন্দিজিনস আর্ট এন্দ কলচরেল ফাউন্দেসনগী *ঐখোয়বু হিংহল্লু* দা অপ্পুগী শক্তম লাংখিবী বেবী জুলিয়াদা লান্থোকখ্রে হায়রি।

## রাম মাধবনা মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট...

*লামায় ১গী মখা...*শেংনা খঙনরবনি। বি জে পিনা মীয়ামদা তাৎ তৌবসি অতৈ মফমদা তৌরবসু মণিপুরদদি তৌবীরনু। বি জে পিনা মীখলদা মায় পাক্লবদি ষ্টেট অসিদা অওনবা পুরক্কনি হায়না লাউরি। বি জে পিনা পুরক্কদৌরিবা অওনবা অদু করম্বা অওনবনো হায়রবদি মণিপুর তঙ্খায় তাহনবা, মণিপুর মৈ চাকহনবা অওনবদুনি। মসিদসু নত্তনা মণিপুর লুৎ তৌনবসু শেম শারিবনি।

অসিগুম্বা বি জে পিনা পুরক্কদৌরিবা অওনবা অসি পুরক্তনবগীদমক্তনি কোংগ্রেসনা লেপ্লিবসি। কোংগ্রেস পার্টিনা লৈরিবমখৈদি মণিপুরগী ঙমখৈ থুগায়বা হায়বসি কনামত্তগী মতিক লৈরোই। করিগুম্বা খোঙফম অমত্তদা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়বসিসু বি জে পিনা খঙজিনবীয়ু। বি জে পিগী স্পোক্সপর্সন অমনা লিদরসিপ পাম্বগীদমক পার্টি থাদোকখিবনি হায়খিবদু অঙকপা পোকই। বি জে পিদা য়াওরিঙৈদসু লিদর অমা ওইনা লৈরমখিবনি হায়বা খঙজিনবা চুমগনি। কোংগ্রেসনা লিশাং শিংনা পার্টিগী প্রিন্সিপাল অমদা লৈরকখি। বি জে পিগী স্পোক্সপর্সন্না বি জে পিদি চৎন- লোনচৎ ঙাকপা পার্টিনি হায়না ফোঙদোকচখি। অদুবু অদুগুম্বা চৎন-লোনচৎ ঙাকপা ঙমদবা পার্টিনি হায়বসি মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙনখ্রে। পার্টি অসিগী লুচিংবা অমনা পার্টি মৱা লৌদে হায়না লাউথোকখিবা অসি মফম অমত্তদা থোক্লল্লোয়। অদুবু থৌদোক অসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশতা থোকখি। প্রসিদেন্ট মৱা লৌদে লাউথোকখিবা লুচিংবা অদুসু পার্টি অসিদা অদুমক য়াওরি। পার্টি অসিনা কোংগ্রেস লম্বা পাবগী মতিক নত্তে। লাক্লিবা মীখল অসিদসু ময়েক শেংনা খঙনরগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মণিপুরদা মল্টি নেসনল কম্পনি...

*লামায় ১গী মখা...* মীখল অসিদা মীয়ামগী হক অদু শীজিন্নসি। ইশাগী দেমোক্রেটিক রাইট মফম চানা শীজিন্নবীয়ু। থম্মোয় শেংবা অমদি মথৌনা মরিংজেল লৈবা মীহুৎ পুথোক্লবদি নেসনল নৎত্রগা রিজনেল পার্টিগী মীহুৎ ওইনা থোক্ত্রবসু থবক ফজনা তৌবা য়াই। মণিপুরদা মল্টি নেসনল কম্পনি লিংখত্তুনা থবক ফংদ্রিবা নহাশিং থবক পীবগী ৱাখল কাউথোক্লরগা পোলিটিকেল পার্টি ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়দুনা হুন্নবনা কান্নবা করিসু ফংলোই। লমদমসিদা লৈরিবা মীয়ামগী ফংফম থোকপা হকশিং মাঙখিবদগী মীয়াম্না করি তৌগদগে হায়বা খঙদবনি অমসুং মসিনা শেং মীৎলোন্দা শিথরকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, এন ঈ আই দি পিনা লাক্কদৌরিবা চহী ২০ অসিদা মণিপুরদা হিংবগী মরেল, লাইরিক-লাইশু তম্বগী অমদি চাউখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক খুদিংমক্তা অওনবা পুরক্লবগী পান্দম থমই। মসিগী মথক্তা শিথরক্লিবা লমদমসিগী ট্রেনিসন, আর্ট এন্দ কলচরবু পার্টি অসিনা য়োকখত্তুনা মালেমদা শক্তাক্লবা হোৎনগনি। নেসনল পার্টি পাম্লুবদগী লমদমসিদা মপান লমগী চৎনবী, ফিজেৎ-চাকচা লৌশিনবগী মথক্তা মীয়ানচা কয়া মশীং খঙদনা লমদমসিদা চঙলকপনি। ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদা রিজনেল পার্টিনা মপাঙ্গল কনবা ঙল্লগা মণিপুরদা লিংখৎপনা করিগী শোন্থগদৌরিবনো? মীয়ামগী ৱাখল অমদি মীহুৎ ওইগদৌরিবা মীরেপশিং ৱাখল লৈতানা লৈবা চঙই। চহী ২০গী মনুংদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা খুন্দারিবা মীয়াম নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা পার্টি অমা ওইহন্নবসু হোৎনগনি।

মীয়াম্না পোলিটিক্স অমসুং বিজিনেস অনীগী মরক্তা লৈবা মরী মশক খঙদবদগী মণিপুরদা দেমোক্রেসিগী মশক থিরকপনি। য়েলহৌমী কনবা অমদি লমদমসিগী য়েলহৌ পাম্বী লোয়ননা চৎন-কাঙলোন পুম্নমক ঙাকপা ঙল্লবা মতমদা মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী মপাঙ্গল লৈবা লমদম অমা ওইগনি। পার্টি অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং পান্দম মীয়াম্না থাজবা থম্বীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

কনভেন্সন অদুদা ৩৬-ৱাবগাই এ সীদা এন ঈ আই দি পিগী মীরেপ ওইরিবা ময়েংবম রঞ্জিৎনা হায়খি, লাক্কদৌরিবা ১১শুবা জেনরেল ইলেক্সন অসি লমদমসিগী ওইনদি য়াম্না অরুবা মীখলনি। কোংগ্রেস পার্টিগী লৈঙাক অমসুং থবক থৌরমশিং মীয়াম্না হেন্না খঙনরবনি। করম্বা মতমদা মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎখ্রবগে? লমদমসিগী ঈহৌ খুদিংমক্কী ৱারোইশিন পুরকপগী মহুত্তা তল্লগা মথন্তা তোকচখিনি হায়না লৈঙোকপা ঙাক্তনি।

বি জে পিগী ফজবা ফীদম লৈরম্বা য়াই অদুবু মণিপুরদদি পার্টি অসি ও ইবোবীগী মহুৎ শীনগদবা পার্টিদি নত্তে। থবক হৌদ্রিঙৈদা শেঙ্গা-থুমজাদা য়ুম্ফম ওইরগা টিকেট পীবগী মমি তারিবসিনা পার্টি অসি থম্মোয় শেংনা থবক তৌরক্কনি হায়বা থাজদে। পোলিটিকেল কনভেন্সন অদুদা ৱাবগাই দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ডো. ৱাইরোকপম ইবোমচা য়াওনা পার্টি অসিগী কেন্দিদেট ওইগদবা মীওই কয়া শরুক য়াখি অমসুং ৱা ঙাঙখি।

## প্রাইভেট এয়রলাইনগী ষ্টাফনা মণিপুরী...

*লামায় ১গী মখা...*মুম্বাইদগী এমষ্টর্দম অমসুং সেন্ট মার্টিন য়ৌবা ফ্লাইট অমা তোংহনগনি হায়রি। প্রেমীনা এজেন্সীদা হায়খি, অখন্নবা মফম অমদগী লাকই হায়বগীদমক মখোয়বু জেট এয়রৱেজগী ষ্টাফনা উশিং থৌওইদবগী থৌওং চংখিবনি। মীওইশিং অদুগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎহনবা পামই। মণিপুরগী নুপী অনী অদু কেরিবিয়ন আইলেন্দদা সেলুন অমদা থবক তৌবা চৎপনি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ০৭-০২-২০১৭, লৈবাকপোকপা, ফাইরেনগী ১১ নি পানবা, নুংথিলগী পুং ০১.৪৭ দগী ১২ নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি মৈরম, নুংথিলগী পুং ০১.৪৭ দগী সম্থোং

**মেষ ঃ** অনৌবা মরুপ লাকপা, নুংনাংবা, অকাউবা পীবা মতাংনি, ৱাখল লাংবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ চানবা পোৎতা কান্নগনি, চাউখৎপা লৈ।
পাখং-লৈশা ঃ মরৌ লৈবা, ৱাহৈ পুথবা মতাংনি।
হকচাং ঃ খোঙদা, খ্বাঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

**বৃষ ঃ** য়েক্লবা য়াম্বা ওইরি, লোয়নবা মখা থাবগা শাউনবা, নীংজবা থুংবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ সনা লুপাগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা তাথিবা, শাউনবা লৈগনি।
হকচাং ঃ কোক, মায় নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

**মিথুন ঃ** মীনা চানবীবা, শাউনিংবা লাকপা, অনৌবা মীওইদগী মতেং ফংগনি।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ নুংনাংবা পোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ কোক, মায়দা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**কর্কট ঃ** মীনা পাউথোকপা, নুংশিবা ৱাৎপা, তৌবীমল ৱাৎপা লৈগনি, শেল চৎপা লৈ।
লাল্লোল ঃ হীদাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ লোক অমদা কৈ অনী কুনবগুম্বনি, পূক্লিং তপথবীয়ু।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চা চন্দন।

**সিংহ ঃ** লন চঙবা, ইচিল ইনাওদগী মুক্লবা পীরকপা, মরুপ্না য়েক্লবা ওইবা লৈ।
লাল্লোল ঃ অচা অথক্কী পোৎলম কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্তনা অমা ঙাঙথোকপনা অমা ওইগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, চিনি অঙৌবা।

**কন্যাঃ** থবক তৌবদা চনিং তাদবা, য়েংশিনবা য়াম্বা, ৱাথোক ওইবা লৈ, পূক্লিং তপথবীয়ু।
লাল্লোল ঃ হীদান্নবা লৈগনি, শেলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পূক্লিং চেৎশিন্নবা মতাংনি।
হকচাং ঃ পুক্তা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

**তুলাঃ** মীগী মতেং তৌবা, নুংঙাইতবা পাউ লাকপা, মীনা শনমান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি।
লাল্লোল ঃ চাউখৎপা, মৈগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা ৱাখল ফাওরকপা, নুংঙাইজবা লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, ঘী।

**বৃশ্চিক ঃ** মীৱা মৈশা লৈবা, লাংতক্লবা, পন্দুনা লৈবা থবক পাঙথোকপা ঙম্বা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ শেলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা মরুপ ফংজবা লৈ।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ চিনি অঙাঙবা, লৈ অঙাঙবা।

**ধনু ঃ** শাউনিংবনা অকায়বা ওইরকপা, য়ুমদা লৈনিংদবা চৎপদা নুংঙাইজবা, শেল চৎপা লাক্কনি।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগী পোথোক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা পাউথোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ মায় মীৎ নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

**মকর ঃ** নিংদোন পোম্বা লৈ, মখা থাবা মীওইদগী ঈকায়বা নংবা, খোয়শাউনবা পীবা ওইরি।
লাল্লোল ঃ শেলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাউনবা, ৱাখল খেন্নবা লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

**কুম্ভ ঃ** অৱা নুংঙাই য়ানগনি, মীনা পাউথোকপা, অরংবা পোৎ, লৌরী য়ুম্ফম লেপ্পা ঙম্বা লৈ।
লাল্লোল ঃ ফিরোলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্নবা হেনগনি, থাজনগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

**মিন ঃ** খল্লম্বা ৱাখল ওন্ন-তৈনবা লাকপা, অয়েৎপা লাকপা, শেল চৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ মীয়ামগী থবক থৌরমদা কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাগৈ নাতৈনা পাউথোকপা লৈগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।